# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৬৪

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

মে ৩০, ২০০৯ :- থা অসিগী ২৫দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইকনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর মুহম্মদ ইস্লামুদ্দিন কাপ্তুনা হাৎখিবগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎখিবা কেস অদুগা মরী লৈননা ঙসি শিংজমৈ পুলিসনা আই আর বি (ইন্দিয়ন রিজার্ভ বট্টালিয়ন) গী পার্সনেল অমা ফোর্মেল ওইনা ফারে হায়না পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়রি।

ফারবা আই আর বি পার্সনেল অদুগী মমিং কাঙজম দিমাজিৎ (৩০) অপোকপগী মীং তোম্বী কৌই। হাওবম মরক কৈশাম লৈকায়দগীনি। মহাক ৩শুবা আই আর বিগী পার্সনেল ওইরবসু হৌজিক-হৌজিক্তি ২শুবা মণিপুর রাইফলসতা এটেচ তৌদুনা লৈবনি হায়রি। ঙসিদগী ৱাহং পাউহং চত্থবা হৌখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

পনবা য়াবদি, আইন্না য়াদবা লালহৌলূপ পল্ফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি, রমজান অলমনা ঙরাং প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন ৩শুবা আই আর বিগী পার্সনেল ৪না কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মে ৩০ : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়রগী দিন ওইরম্বা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিনবু কে ৱাই কে এলনা হৌখিবা তাং ২৫দা শিবগী চৈরাক পীখিবা অদুগী মতাংদা শেংদোকপা চেরোল অমা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ অসিগী পব্লিসিটি এন্দ রিছার্সকী সেক্রেটরিনা ঙসি প্রেসতা থাদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়রি, ওজা অমবু হাৎপা হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না নুংঙাইতবা ফাওফম থোকই। সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি লূপ কয়ানা য়ানীংদবা ফোঙদোক্নরক্লিবসি হৌনশানি। অদুবু মৈতৈ-পাঙল ইচিন-ইনাওশিংগী ওর্গনাইজেসনশিংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপা মতমদা ফুরুপ/কাঙলূপ নাইবা ৱাখল্লোন য়াওরকপা অমদি কে ৱাই কে এলবু মৈতৈ-পাঙল কাঙলূপ্পু অতম্নানা তাথিবা লূপ ওইনা ইরকপা অসি লাইবক থীবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি মুসলিম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুমসু) না য়ানীংদবা ফোঙদোকপদা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন মতু শোনবা মশীং য়ামদবা মৈতৈ-পাঙল ফুরুপকী মীওই ওইরম্বনা মাগীদমক কনানসু থেংনবিবা ঙম্লোই খনবগী মমি তাই। দি এম কোলেজ মুসলিম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিনবু হাৎপসি মুসলিম ফুরুপ্পু কিহল্লকপনি, মুসলিম মহৈরোয় পূম্নমক হাত্তোকপীরো হায়খি। মখা তাবদা দি এম কোলেজ মুসলিম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না মুসলিম পূম্নমক মশীং য়ামদ্রিঙৈদা লোইনা তান্থোকপীবনা হেন্না ফগনিসু হায়রি। পূম্নমক অসি পারুরগা থম্মোয় শোকই, লোয়ননা থাজদবা অঙকপা পোকই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কে ৱাই কে এলনা খূৎ থানবা ৱারেপ লৌদ্রিঙৈদা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিনবু পাঙলনি, মাইনোরিটিনি, লাইরিক্কী লম্‌দা শোত্থজবা পাঙলশিংগী মরক্তা লাইরিক হৈবা অতাঙবা মীওই অমনি হায়বগী ৱাখল ইহুল অমত্তা থম্মোয়দা ফাওজখিদে। এম য়ু মনুংদা অরানবগী মহুম শারক্লিবা অদুখক্তবু শেংদোক্নবা ৱাখল খঞ্জখি। প্রো: ইস্লামুদ্দিনগী অরানবশিং অদুতবু পঞ্জখি। কে ৱাই কে এলগী ৱাখল্লোন্দা মৈতৈ হিন্দু, মৈতৈ পাঙল, মৈতৈ খৃষ্টিয়ান, মৈতৈ বুদ্ধিষ্ট, মৈতৈ এথিষ্ট - ময়াম অমত্তা খেন্নবা উজদে, পূম্নমক মৈতৈ ঙাক্তুনি, কংলৈচা ঙাক্তুনি হায়না লৌই। লূপকী কন্সটিট্যুসন্দসু মসি ইদুনা থম্লিবনি। কে ৱাই কে এলদসু মৈতৈ পাঙল অদুম য়াওরি।

কে ৱাই কে এলনা অকনবা ফিরেপ লৌরকপগী মতাংদা অমুক হন্না শেংদোক্লদুনা চেরোল অসিনা হায়রি, এম য়ু মনুংদা নারিবা লায়না অসি মপান্থোংদদি উবা ফংদবা নুংদদি ময়োন য়ৌনা চঙখ্রবা লায়েংবদা ৱাগদবা কেন্সরদগী হেন্না শাথিবা লায়না মখল অমনি। এম য়ু অসি অরানবা তৌবা মীওই খরগী 'লন্নাইগী লৌচা' ওন্থোরক্লবনি। মীওই খূৎপু অসি ক্লিক অমা ওইনা মরা তাখ্রে, ক্লিক অমা ওইনা ফঙ্কসন তৌরে। খূৎপু অসিনা য়াবা মীওইদমক ফম কায়, মখোয়না য়াবা মীতমক থবক চঙবা ঙমই। ক্লিক অসিনা য়াদবা মীদি ফম কাবা ঙমদনবা অপনবা কয়া পীবি। খূৎপু অসি শিবা নাইদবা ওমোরনি। অরিবা অহলশিং পোত্থাখ্রবসু মখোয়না য়াবা মী খক্তুনা মহুৎ শিঞ্জিল্লকই। ক্লিক অসিনা মরম ওইদুনা এম য়ুদা ঙসিদি করপসন্না কলচর ওইরক্লবনি। চহী অমা অনী তম্লক্লবা য়ুনিভর্সিটি অসিদা থবক চঙনীংবা মহৈরোয়শিংসু ঙসিদি ক্লিক অসিদা নপচদ্রবদি থবক চঙবা য়াররোই খঙবা য়াওনরে। অনৌবা চঙবা ওজাশিংসু য়ুনিভর্সিটি অসিদা খুয়া তুশিৎনা লৈবা ঙম্নবা হোৎনবদা ক্লিক অসিদা মীৎয়েং থম্নরক্লে। মখোয়না ক্লিক অসিগী হায়বা ইনবা হুইরোয় ওই। ক্লিক অসি নোংমা নোংমগী চাওখৎলক্লি। লোয়ননা অমোৎপা থবক তৌবসু হেনগৎলক্লি। ঙসিদি ইকায় খঙদবগী চাং য়ৌনা অরানবা তৌরক্লে। দেমোক্রেসি লৈঙাক অমদদি ফত্তবা মীবু মীখলগী মতেংনা তান্থোকখিবা য়াই, এম য়ুগী ক্লিক অসিদি কনানা করি মেকানিজম্না তান্থোকপীগনি। মসিদা মীয়াম পূম্নমক্না কোক থাদফম থোকই। কে ৱাই কে এলদি ফীভম অসিদদি এম য়ু কন্ননবা ক্লিক অসি থুগায়বা তাই অমদি ক্লিক অসি থুগায়নবা হাৎপা-তুপ্পা য়াওনা অকনবা খূৎ থাদবা য়ারোই হায়না খল্লি।

হন্দক্কী মুসুগী মীখলদা ৱা থোকখিবা অসি খূৎপু অসিগী লাল্লোংনি। খূৎপু অসি লৈরমদ্রবদি ৱাথোক অসি থোক্লম্লোই। হন্দক্কী ৱাথোক অসি ইকায় খঙদবা চাংদা অরানবা তৌবা ঙম্লকপা হায়বদুগী ময়েক লারবা খুদমনি। মুসুগী মীখলদা ক্লিক অসিগী মীওইশিংনা কাদবা য়াদবনি। মখোয়গা য়ানদবা মীনা মুসু পায়খ্রবদি মখোয়গী ফমফম ফিদা মখোঙ নোম্লক্কনি খঙবদগী ইকায় ইকি হুন্দোক্তুনা মুসু পায়নবা অরানবা পাম্বে শীজিন্নরকপনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন ক্লিক অসিগী মরুওইবা মেম্বর অমদি হায়বা ইনবা পাউখোল্লোয় অমনি হায়রদুনা চেরোল অসিনা হায়রি, মহাক এম য়ুদা অচৌবা ফম কানবা ক্লিক অসিদা য়াওবা শোয়দনা ওইফম থোকই। মহাক্কী মরাল অসি ক্লিক অসিগী অরানবা লাংলৌ অদুসু চপ চানা পাঙথোকপা অদুগা মপান্থোংদনা তাৎ-পাৎ তৌদুনা অফবা শাবা অসিনি। মহাক্না তৌখিবা অরানবশিং অদু খঙলগা লৌতুনবদু ময়েক শেংনা খঙগনি।

মুসুগী মীখল অসি মুসুগী কন্সটিট্যুসন মমাঙদগী চৎনরকপা কনভেন্সন অমদি তাং ২২/০৯/২০০৬তা ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ওর্দরগী মতুং ইন্না তৌবনি। ৱাফম অসিমক প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন্না থা অসিগী ৪দা পাউচেশিংদা ফোঙলকপা মাগী শেংদোক-ৱারোলদা পল্লিবনি। মুসুগী কন্সটিট্যুসন্দা পল্লমদ্রবসু কনভেন্সনগী মতুংইন্না ইলেক্সন প্রোসেস অসি দিনগী মীৎয়েং মখাদা তৌবনি। হন্দক্কী মীখল অদুদসু ভোট্টর লিষ্ট শেম্বা, হান্নগী মুসু দিজোল্ব তৌবগী চে লানখৎপা, মীখলগী নোটিশ থোকপা, মুসুগী প্রসিদেন্টনা শেম্লবা ইলেক্সন কম্মিটি (ঈ সী) বু অয়াবা পীবা (শকখঙবা য়াওনা), মীখলগী রিটর্নিং ওফিসর (আর ও) খনবা পূম্নমক দিন অমদি মাগী ওফিসনা তৌগদবনি। হন্দকসু মানা তৌবা হৌরমখিবনি। চেদা ইরমদে হায়দুনা চেনবা য়ারোই। কনভেন্সন হায়বসি ইদুনা থম্লম্বা অদুমুক পাঙ্গল লৈনরিবনি। বৃটিশ কন্সটিট্যুসন অসি কনভেন্সন্না চৎলিবনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র অমদি মাগী ওফিসকী মথৌদি অহানবদা, মহৈরোয়শিংদা আইদেন্টিটি কার্দ পীথোক্লগা ভোট্টর লিষ্ট শেম্লগা ঈ সীদা শিন্নবনি। থবক অসিদগী প্রো: ইস্লামুদ্দিননা অরানবা তৌবা হৌখ্রে। মমাঙদদি মীখলগী নোটিশ থোকপা ফাওবা আইদেন্টিটি কার্দ পীথোকপা য়াওখি। হন্দক্তি পোষ্ট গ্রেজুয়েট মহৈরোয়শিংগী আই কার্দ পীবা মার্চ ৯দগী থিংখ্রে। মীখলগী প্রোসেসনা এপ্রিল১৩দা হৌখি। নোটিশনা তাং ১৫দা থোকখি। মীখলগী প্রোসেস হৌদ্রিঙৈগী নুমিৎ ৩৫নিগী মমাঙদগী আইদেন্টিটি কার্দ পীবা থিংবসি করিগীনো? মসিগী মথক্তা রিছার্স তৌবা মহৈরোয়শিংগীনা এপ্রিল ৪ ফাওবা আইদেন্টিটি কার্দ পীবা য়ারগা পি জিগীনা মার্চ ৯দগী পীররোই হায়রিবসিগী ৱাহন্থোক করিনো? মসি মমাঙদা চৎনরক্তে, মসি মহাক্কী দিস্ক্রেস্নরি পৱারনি হায়বসু য়াদে। থৌদোক অসিমক্না প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন্না মীখল অসিদা অরানবা তৌখিবগী মরূ চঙবা খুদম অমনি।

এপ্রিলগী তাং ১৩দা মুসুগী প্রসিদেন্টনা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিনগী মনাক্তা লাক্লগা হান্নগী মুসু অদু মুত্থৎনবা (দিসোলুসন), মীখলগী ঈ সী শেম্নবা আর ও খন্নবা হায়রে। মদুগী মতুং ইন্না প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিননা (এন্দোর্স তৌরগা) মাগী মখাদা লৈবা এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রারদা নোটিশ থোক্লবা হায়খি। ভোট্টর লিষ্ট শেম্বা অমদি মীখলগী নোটিশ থোকহনবা অসিনচিংবা পূম্নমক দিননা তৌরিবসি য়েংলুরগা মহাক্কী থৌদাং অসি কয়াম চাউবগে হায়বসি মশানা তাকচৈ। মীখলগী প্রোসেস পূম্নমক মহাক্না এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রারগী খুত্থাংদা তৌই হায়বসি মহাক মশানা মে ৪দা পাউচেদা ফোঙদোরকপা চে অদুদা মশানা ইরি। লোয়ননা এম য়ুগী দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার কে দ্বিজমনিনা এপ্রিল ২৩দা থোকপা ৱারোলদসু ''মীখলগী আর ও হাপ্পগী নোটিফিকেসন দিন ওফ ষ্টুদেন্টসকী ওফিসনানা এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রারগী ওফিস অসি দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়রগী ওফিসতা মেনেজ তৌবনি। ওফিস অসিগী মখাদা লৈবা এমপ্লোয়ীশিং দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়রগী ওফিসনা কন্ট্রোল তৌই অমসুং ওফিস অসি এ ব্লোক্তগী খজিক্তুং চৎলগা লৈ।'' হায়না ইরি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৩

১। মৈতৈ লৈবাক্তা মী অমা শিবদা অঙাংমক নৎত্রবদি মৈ থাদুনা পোৎলোইবা কুইরবদগী চৎনরকই, ঙসিসু চৎনরি।
(ক) চৎনবী অসিগী মমাঙদা মৈতৈ লৈবাক্তা পোৎলোইবা মখল কয়া লৈরম্বগে?
(খ) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী মৈ থাবখক্তা চৎনরকখিবগে?

২। ''ফৌশু ঈশৈ শক্লি/আদগী চীংদোন অসিদনি।'' পরেং অনী অসি জননেতা ইরাবতনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ''ঐখোয়না কপ্লি/ঐখোয়গী পুন্সিগী থোঙজিন্দা/নোংজুথানা কৌনরুবা য়াওদনা লেপ্লবা খুদিংদা।'' পরেং অহুম অসিনা 'লোক্তাক পাৎকী ফূম' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ''ঙাইবু ঙাইরবদি মতমসিসু হৌদেদকো, প্রেমিলানা খল্লি।'' পরেং অসিনা 'হৌদোং তুরেল কুমদবী' কৌবা ৱারীমচাদুগী অহানবা পরেংনি। অইবী অদু কনানো?

৫। ''ইচা ইশুগীদমক/হুনবা লোইদ্রি/পামলৌগী লৌবুক্তা/সনা ফৌগী মরূশিং।'' পরেংশিংসিনা 'য়াচঙবা নঙ হল্লো' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। মপানগী অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

মমি ৱারী


# অনটাইটল - ২


## অঙোম সেরাম











Rahuldev Seram, BFA Applied Art (Sir. JJ.Institute of Applied Art, Mumbai), MFA (Department of Fine Arts,Manipur University)

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*